
# দবল ওলেম্পিক মেডলিষ্ট মনু ভাকরনা এসিয়ান সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লুচিংলগনি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

কজাখষ্টানগী সিটি সিমকেন্টতা ওগষ্ট ১৬তগী ৩০ ফাওবা পাঙথোকপগী সেদ্যুল লৈরিবা ১৬শুবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা দবল ওলেম্পিক মেডলিষ্ট মনু ভাকরনা ইন্দিভিজুয়েল ইভেন্ট অনীদা শরুক য়াগদবা অমত্তা ঙাইরবা সুট্টর ওইবগা লোয়ননা মেম্বর ৩৫না শাবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ লুচিংলগনি।

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই) না ইন্দিয়াদা সেপ্টেম্বর–ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদবা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অমসুং সেনিয়র ইভেন্টকা চপ মান্নবা মতমদা পাঙথোক্কদবা জুনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী স্কৱাদসু লাউথোকখ্রে।

চাইনাগী নিংবোদা পাঙথোক্কদবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ (রাইফল / পিষ্টোল)দা শরুক য়ানবা সেনিয়র স্কৱাদসু লাউথোকখি। ইভেন্ট অসি সেপ্টেম্বর ৭তগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবনি। মনু ভাকরনা ৱুমেন’স ১০ মিটর এয়র পিষ্টোল অমসুং ৱুমেন’স ২৫ মিটর পিষ্টোল ইভেন্টশিংদা কম্পিট তৌগনি।



সেনিয়র স্কৱাদশিংগী মনুংদা য়াওরিবা মকোক থোংবা সুট্টরশিং অদুদি হান্নগী মেন’স এয়র রাইফল ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন রুদ্রাঙ্কস পটিল অমসুং ওলেম্পিয়ান অঞ্জুম মোদগিল (ৱুমেন’স ৫০ মিটর রাইফল থ্রি পোজিসন), আইস্বারি প্রতাপ সিংহ টোমর (মেন’স ৫০ মিটর রাইফল থ্রি পোজিসন), সৌরভ চৌধারি (মেন’স ১০ মিটর এয়র পিষ্টোল) অমসুং কিনান চেনাই (মেন’স ট্রেপ) নি। ইসা সিংহ (২৫ মিটর পিষ্টোল), মেহুলি ঘোস (এয়র রাইফল) অমসুং কিরন অনকুস জাধব (এয়র রাইফল)সু সেনিয়র স্কৱাদশিংদা য়াওরি।

ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেডলিষ্ট স্বাপনিল কুসালে অমসুং হান্নগী এসিয়ান গেমস চেম্পিয়ন অমসুং ওলেম্পিয়ান রাহি সরনোবটসু নিংবো বাউন্দ স্কৱাদতা য়াওরি।

এন আর এ আইনা লাউথোকখিবা মেম্বর ৩৬না শাবা জুনিয়র স্কৱাদ অদুদগী অনীগী মনুং দা ওলেম্পিয়ান রাইজা ধিল্লোন খক্তমক তোঙান্না লৈরি। মহাক মান্সি রঘুভন্সিগী মহুত্তা দিল্লি ৱার্ল্ড কপ জুনিয়র ৱুমেন’স স্কিট টিমদা য়াওখি। মান্সি রঘুভন্সি জুনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী টিমদা য়াওরি। ওলেম্পিয়ান রাইজা ধিল্লোন সেনিয়র কম্পিটিসনদসু শরুক য়াগনি।

# ইন্দিয়া এ নুপা হোক্কী টিম্না ঙসি আয়রলেন্দগা শান্নরগা য়ুরোপিয়ান টুরগী কেম্পেইন হৌদোক্লগনি

এন্ধোভেন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

সঞ্জয়না লুচিংবা ইন্দিয়া এ মেন’স হোক্কী টিম্না হয়েং আয়রলেন্দগা নেদরলেন্দসকী এন্ধোভেনদা লৈবা হোক্কী ক্লব এরেঞ্জে–রুদ ষ্টেদিয়মদা শান্নদুনা য়ুরোপিয়ান টুরগী কেম্পেইন হৌদোক্লগনি।

হোক্কী ইন্দিয়ানা শীল্লিবা য়ুরোপিয়ান টুর অসিদা য়ুরোপকী মকোক থোংবা লৈবাকশিংগা মেটচ ৮ শান্নগনি। মসি টিম অসিগী ওইনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংগা পুন্না শান্নবগী য়ান্না মরুওইবা ইন্টরনেসনেল এক্সপোজর অমনি।

ইন্দিয়া এ মেন’স টিম অসি নহা ওইরবা অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইশিংনা পুল্লগা শেম্বনি। টুর অসিগী অহানবা গেমগী মাঙওইননা সঞ্জয়না হায়, য়ুরোপ টুর অসি ঐখোয় পুন্নমক্কী অচৌবা খুদোংচাবা অমনি। টুর অসিদা লম্বা পানগদৌরিবা গেমশিং দা চাওনা শিংনবা মায়োক্লগনি। ঐখোয়না য়ুরোপকী মপাঙ্গল কল্লবা টিমশিংগা মায়োক্ননবা শেম শারি। এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অমসুং নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা শান্নগদৌরিবা গেমশিং অসিদগী কান্নবা কয়া ফংলগনি।

য়ুরোপিয়ান টুর অসিগী মনুং চন্না ইন্দিয়া এনা আয়রলেন্দ, ফ্রান্স অমসুং নেদরলেন্দসকা মেটচ ২ / ২ শান্নগনি অদুগা ইংলেণ্ড অমসুং বেলজিয়মগা মেটচ অমমম শান্নগনি। ইন্দিয়া এ টিমগী ওইনদি য়ুরোপিয়ান টুর অসি সেনিয়র টিমদা য়াওনবা হোৎনবদা চাওনা কান্নবা ফংলগনি।

সঞ্জয়না মখা তানা হায়, ইন্দিয়া এ টিম্না থেংনগদৌরিবা শিংনবশিং অদুগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙলে অমসুং ওপ্পোজিসনশিংগা লম্বা পানবদা অৱাবা ওইগদি হায়বদসু নীংথিনা খঙলে।

ঐখোয়গী টিম্না যুমদা শান্নরম্বা অদুদগী য়ুরোপিয়ান টুরগী মেটচশিং অসিগনি য়ান্না ওন্ন–তৈনবা ওইগনি। অদুবু ঐখোয়গী টিম অসি নীংথিনা শেম শারে অমসুং ঐখোয়গী সেনিয়র শান্নরোইশিংনা লেবেল অসিদা লাক্লবা হোৎনবদা মতেং পাঙলি।

আয়রলেন্দগা শান্নগদবা মেটচ অসিদা ঐখোয়গী টিমগী ওইনদি ব্রোদর গোলশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমগনি। টুর অসিদগী ঐখোয়দা অহেনবা এক্সপরিয়েন্স কয়া ফংবা ঙমগনি। টুর অসি ইন্দিয়ান মেন’স হোক্কী টিমগী ওইনদি থাক ৱাংবা লেবেল অমদা লাক্লবগী লম্বী অমা ওইরগনি হায়না সঞ্জয়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ইন্দিয়া এ মেন’স হোক্কী টিমগী ওইনা য়ুরোপিয়ান টুর অসি সেনিয়র স্কৱাদতা য়াওনবগী অফবা প্লেটফোর্ম অমনি। টিম অসি ঐখোয়গী গেমদা মপুং ফানা মায় ওনশিল্লে অমসুং য়ুরোপিয়ান ষ্টেন্দর্দ অসিগদি অহানবা ওইনা শান্নগদবনি। সেনিয়র কোচশিং অমসুং সেলেক্টরশিংনসু মসিগী মতাংদা কুপ্না খঙহল্লকপা লৈরে হায়খি।

ইন্দিয়া এ মেন’স হোক্কী টিম্না লাক্কদৌরিবা চয়োল অনী অসিদা খ্বাইদগী ফজবা মশান্না উৎনবা মীৎয়েং থল্লি। ঐখোয়গী পান্দমদি অফবা কম্বাইনেসন শেম্বা অমসুং থৌরাং শিং মতম চানা থবক্তা ওন্থোকপনি।

মসিগীদমক ঐখোয়না গ্রুপ ট্রেনিং দা য়ান্না কন্না হোৎনখি। হৌজিক্তি ঐখোয়গী থৌরাংশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপনি হায়না সঞ্জয়না মখা তাখি।

# অর্চরি ৱার্ল্ড কপ ২০২৫ঃ ইন্দিয়ান অর্চরশিংনা মাদ্রিদতা চেম্পিয়ন্সিপকী শেম শানবা মীৎয়েং থল্লি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

অনৌবা অর্চর ৪ গা লোয়ননা ভেটরান তরুন্দীপ রাই অমসুং দীপিকা কুমারীনা অর্চরি ৱার্ল্ড কপকী মরিশুবা অমসুং ফাইনেল ষ্টেজদা কম্পিট তৌরগনি। ইন্দিয়ান অর্চরশিংগী ওইনদি মাদ্রিদতা পাঙথোক্কদবা অর্চরি ৱার্ল্ড কপ অসি চহী অসিগী লোইশিল্লকপদা সেদ্যুল তৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী শেম শাবগী শরুক অমনি।



মাদ্রিদকী কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা চপ মান্নবা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসি সেপ্টেম্বর ৫দগী ১২ ফাওবা কোরিয়াগী গ্বাং ঝৌদা পাঙথোক্কদবা ৱার্ল্ড অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগনি।

ইন্দিয়ানা ২০২৩ বর্লিন ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা লৌখিবা টাইটল ৩ দিফেন্দ তৌনবা মীৎয়েং থল্লি। অদুবু হন্দক্কী অসিদদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওজাস দিওটালে অমসুং অদিতি স্বামী ট্রাইয়েলসতা মায় পাকখিদবদগী শরুক য়াররোই।

ষ্টার কম্পাউন্দ অর্চর অভিসেক ভর্ম অমসুং অন্টালয়া ২০২৫ ৱার্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱিন্নর মাথুরা ধামাগাউকরসু চহী অহুমগী মতুংদা কম্পিটিসন্দা হল্লকখ্রবসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে।

অতোপ্পা অঙকপা অমনা, থ্রি টাইম ওলেম্পিয়ান অতানু দাসসু ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে। মখোয়গী মহুৎতা তীনএজর ৩ য়াওনা অহানবা ওইনা শান্নগদবা ৪না রিকর্ভ অমসুং কম্বাউন্দ টিমশিংদা মফম ফংখি।

মহারাষ্ট্রগী অর্চর মশাগী চহী ১৫শুরবা গাথা খাদাকে অমসুং মশাগী চহী ১৬ শুরবা সারভারি সেন্দেনা রিকর্ভ ৱুমেন’স টিমদা ট্রাইয়েলসতা মকোক ওইখিবী দীপিকা কুমারী অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা অনকিতা ভকটকা লোয়ননা মফম ফংখি।

চহী অসিগী ওক্টোবর টুর্নামেন্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নানজিং ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী অর্চর ৩৩৬না কম্পিট তৌরগনি।

অনৌবা চেপ্টের অমা ওইনা হান্নগী কম্মনৱেল্থ গেমস গোল্ড মেডলিষ্ট রাহুল বেনরজি অহানবা ওইনা কোচ ওইদুনা নুপীগী টিম লুচিংখি। মহাক্কী ৱার্দ অনী দীপিকা অমসুং অনকিতাসু ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

মসি ঐহাক্কী অনৌবা খোঙচৎ অমনি অমসুং ঐখোয়না খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স উৎনবা হোৎনগনি। ঐখোয়গী মরুওইবা পান্দমদি গ্বাং ঝুদা সেপ্টেম্বর ৫দগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী অরোইবা শেম শাবনি হায়না বেনরজিনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

সারভারি অমসুং গাথাসু লাক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড অর্চরি য়ূঠ চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন দুনা শরুক য়ারগনি।

গাথানা পোইন্ট ৬৮৬ স্কোর তৌদুনা মেন’স অমসুং ৱুমেন’স সেক্সনগী রিকর্ভ ক্বালিফিকেসন্দা খ্বাইদগী মকোক ওইখি। মসিগী মতুংদা কম্পিট তৌরকপদা দীপিকা কুমারীনা মহাকপু তুংওইনরল্লগা মকোক ওইখি।

গাথা য়ান্না টেলেন্ট লৈরবা অর্চরনি। মহাক্না প্রেসর মায়োক্লরকপা মতমদা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙম্মী। মহাক্না নেসনেল গেমসকী মিক্স অমসুং দবলস ইভেন্টশিংদা ওলেম্পিয়ান দীপিকা কুমারী অমসুং ভজন কোরবু মায়থিবা পীরম্বনি হায়না গাথাগী কোচ রঞ্জিৎ চামলেনা ফোঙদোকখি।

রিকর্ভ মেন’স টিমদা অতানু দাস য়াওবা ঙমখিদে। মহাক মশাগী চহী ৪১শুরবা ৪রক ওলেম্পিয়ান ওইখ্রবা তরুনদীপ রাইগী মখূত্তা শুপ্পগী পোইন্ট ০.৫দা মায়থিহৌবনি।

# ‘রেজিষ্টার তৌদবা কোচশিংগী মখাদা ট্রেনিং তৌবা এঠলেটশিং নেসনেল এৱার্দকী রিকম্মেন্দ তৌরোই’

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না রেজিষ্টার তৌদবা কোচশিংগী মখাদা ট্রেনিং তৌবা এঠলেটশিং মরুওইনা অর্জুনা এৱার্দ অমসুং খেল রত্ন এৱার্দকীদমক রিকম্মেন্দ তৌরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা এ এফ আইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ক্বালিফাই ওইরবা অমসুং ক্বালিফাইদ ওইদবা কোচশিং জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা তঙাইফদনা রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবনি হায়না খঙহনখিবা লৈখ্রে। ৱাফম অসি ইন্দবশিং ব্লেকলিষ্ট তৌগনি হায়খি।

কোচশিংনা শোয়দনা রেজিষ্টার তৌরক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজবা থল্লি। মসিগী মতুংদা রেজিষ্টার তৌরবা কোচশিং মীয়াম মমাঙদা লাউথোরক্কনি। রেজিষ্টার তৌদবশিং ব্লেকলিষ্ট তৌগনি হায়না এ আই এফকী ৱাঙাংলোই অদিল্লে সুমারিৱাল্লানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

করিগুম্বা এঠলেটশিং রেজিষ্টার তৌদবা কোচশিংগী মখাদা ট্রেনিং তৌরবদি এঠলেটশিং অদুনা মেডল লৌরবসু মখোয়বু নেসনেল এৱার্দ অমত্তদা রিকম্মেন্দ তৌরোই। অসিগুম্বা এঠলেটশিং অসি কান্নবা অমত্তা ফংলোই। ঙসিদি কোচশিংনা ইনশিনবদগী এঠলেটশিং দোপিংদা চেন্নরি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না হান্নগী এ এফ আই প্রসিদেন্ট সুমারিৱাল্লানা ফোঙদোকখি। ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী এঠলেটশিংগী দোপিংদা কোচশিং য়াওশিনবগী মমি তারি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# ইন্দিয়ানা এসিয়ান মেডলিষ্ট ৬ খনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ানা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ মেডলিষ্ট ৬ অন্দর–১৭ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ানবা খনখ্রে। রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা হন্দক্তা লোইশিনখিবা অন্দর–১৭ নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী মেডল ৱিন্নরশিং ট্রাইয়েলস তৌবা অথিংবা থমখি। মরম অসিনা খ্বাইদগী ফবা রেষ্টলরশিংনা কেটেগোরি ১০দা কম্পিট তৌরগনি।

হরিয়ানাগী রাচনা পারমার (৪৩ কেজি), দিল্লিগী মোনি (৫৭ কেজি), রাজস্থানগী অস্বিনি ভাইসনো (৬৫ কেজি) অমসুং হরিয়ানাগী মানিসা (৬৯ কেজি) না ভিয়েটনামদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল ফংদুনা মখোয় মখোয়গী কেটেগোরিশিং দা মায় পাকখি। রাচনানা চেসতাপু ফাইনেলদা ৩–০দা মায়থিবা পীরম্বনি।

চেসতা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা মেডল অমা ফংখি। মহাক্না কেজি ৪০গী কেটেগোরিদা সিলভর ফংখি অদুবু মহাক্না হৌজিক ৪৩ কেজি দা শান্নরে। কেজি ৬৫গী ফাইনেলদা অসভিনিনা হরিয়ানাগী তানিয়াবু ২–০দা অদুগা কেজি ৬৯দা মানিসানা দিল্লিগী ভারতিবু ৪–০দা থোইখি।

# দুরান্দ কপ ২০২৫গী ফিকচর লাউথোকখ্রে ইষ্ট বেঙ্গলনা সাউথ য়ুনাইটেদকা অহৌবদা শান্নরগনি

কোলকটা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

এসিয়াগী খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপ ২০২৫গী ফিকচর লাউথোকখ্রে, ইষ্ট বেঙ্গল এফ সি অমসুং সাউথ য়ুনাইটেদ এফ সিনা জুলাই ২৩দা কোলকটাগী ভিভেকানন্দ যুব ভারতি ক্রিরাঙ্গনদা শান্নদুনা কম্পিটিসন হৌদোক্লগনি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা মখোয়গী টাইটল দিফেন্সকী লম্বীদা ফোরেন টিম অমগা ওগষ্ট ২দা শান্নদুনা কেম্পেইন হৌদোক্কনি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকা শান্নগদবা ফোরেন টিম অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনফার্ম তৌবা লৈত্রি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টিম ৬ খক শরুক য়াগনি। মখোয়শিং অদুদি ইষ্ট বেঙ্গল, মোহন বগান সুপর জাইন্টস, জমসেদপুর এফ সি, নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সি, পঞ্জাব এফ সি অমসুং মোহম্মেদন এস সিনি।

ইন্দিয়াগী সেকেন্দ দিভিজন টুর্নামেন্ট আই লীগতগী টিম অহুমনা শরুক য়াগনি। মখোয়শিং অদুদি দাইমন্দ হারবর এফ সি, শিল্লোং লাজোং অমসুং নামধারি এফ সিনি।

২০২৫ দুরান্দ কপকী নোকআওট ফেজ ওগষ্ট ১৬তগী শান্নবা হৌগনি অদুগা ফাইনেল মেটচনা ওগষ্ট ২৩দা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ২৪না গ্রুপ ৬ থোক্লগা লম্বা পানগনি। মালেমগী অহুমশুবা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি হন্দক্কী সিজনগী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, ঝারখন্দ, মণিপুর, মেঘালয়া অমসুং অসামনা য়ূন্থু ওইরগা শান্নগদবনি।

IndianOil DURAND CUP SINCE 1888
134TH EDITION - 2025
POWERED BY SBI Coal India Limited A Maharatna Company

## IndianOil Durand Cup 134th Edition Fixtures

Group A | KOLKATA

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 23-Jul | WEDNESDAY | EMAMI EAST BENGAL FC | VS | SOUTH UNITED FC | 17:30 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 5 | 27-Jul | SUNDAY | INDIAN AIR FORCE FT | VS | SOUTH UNITED FC | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 10 | 30-Jul | WEDNESDAY | NAMDHARI FC | VS | SOUTH UNITED FC | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 17 | 3-Aug | SUNDAY | NAMDHARI FC | VS | INDIAN AIR FORCE FT | 16:00 | KISHORE BHARATI KRIRANGAN |
| 24 | 6-Aug | WEDNESDAY | EMAMI EAST BENGAL FC | VS | NAMDHARI FC | 19:00 | KISHORE BHARATI KRIRANGAN |
| 32 | 10-Aug | SUNDAY | EMAMI EAST BENGAL FC | VS | INDIAN AIR FORCE FT | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |

Group B | KOLKATA

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 28-Jul | MONDAY | MOHAMMEDAN SC | VS | DIAMOND HARBOUR FC | 19:00 | KISHORE BHARATI KRIRANGAN |
| 12 | 31-Jul | THURSDAY | MOHUN BAGAN SUPER GIANT | VS | MOHAMMEDAN SC | 16:00 | KISHORE BHARATI KRIRANGAN |
| 14 | 1-Aug | FRIDAY | DIAMOND HARBOUR FC | VS | BSF FT | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 20 | 4-Aug | MONDAY | MOHUN BAGAN SUPER GIANT | VS | BSF FT | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 26 | 7-Aug | THURSDAY | BSF FT | VS | MOHAMMEDAN SC | 19:00 | VIVEKANANDA YUBA BHARATI KRIRANGAN |
| 30 | 9-Aug | SATURDAY | DIAMOND HARBOUR FC | VS | MOHUN BAGAN SUPER GIANT | 19:00 | KISHORE BHARATI KRIRANGAN |

Group C | JAMSHEDPUR

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 24-Jul | THURSDAY | JAMSHEDPUR FC | VS | FOREIGN SERVICES TEAM | 17:30 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |
| 7 | 29-Jul | TUESDAY | JAMSHEDPUR FC | VS | INDIAN ARMY FT | 16:00 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |
| 15 | 2-Aug | SATURDAY | FOREIGN SERVICES TEAM | VS | 1 LADAKH FC | 16:00 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |
| 21 | 5-Aug | TUESDAY | INDIAN ARMY FT | VS | FOREIGN SERVICES TEAM | 16:00 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |
| 27 | 8-Aug | FRIDAY | JAMSHEDPUR FC | VS | 1 LADAKH FC | 16:00 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |
| 33 | 11-Aug | MONDAY | INDIAN ARMY FT | VS | 1 LADAKH FC | 16:00 | JRD TATA SPORTS COMPLEX |

Group D | KOKRAJHAR

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 27-Jul | SUNDAY | ITBP FT | VS | KARBI ANGLONG MORNING STAR FC | 16:00 | SAI STADIUM |
| 11 | 31-Jul | THURSDAY | BODOLAND FC | VS | KARBI ANGLONG MORNING STAR FC | 16:00 | SAI STADIUM |
| 18 | 3-Aug | SUNDAY | KARBI ANGLONG MORNING STAR FC | VS | PUNJAB FC | 19:00 | SAI STADIUM |
| 23 | 6-Aug | WEDNESDAY | ITBP FT | VS | PUNJAB FC | 16:00 | SAI STADIUM |
| 29 | 9-Aug | SATURDAY | BODOLAND FC | VS | PUNJAB FC | 16:00 | SAI STADIUM |
| 36 | 12-Aug | TUESDAY | BODOLAND FC | VS | ITBP FT | 19:00 | SAI STADIUM |

Group E | SHILLONG

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 26-Jul | SATURDAY | SHILLONG LAJONG FC | VS | FOREIGN SERVICES TEAM | 16:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |
| 8 | 29-Jul | TUESDAY | SHILLONG LAJONG FC | VS | RANGDAJIED UNITED FC | 19:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |
| 16 | 2-Aug | SATURDAY | NORTHEAST UNITED FC | VS | FOREIGN SERVICES TEAM | 19:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |
| 22 | 5-Aug | TUESDAY | RANGDAJIED UNITED FC | VS | FOREIGN SERVICES TEAM | 19:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |
| 28 | 8-Aug | FRIDAY | SHILLONG LAJONG FC | VS | NORTHEAST UNITED FC | 19:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |
| 34 | 11-Aug | MONDAY | NORTHEAST UNITED FC | VS | RANGDAJIED UNITED FC | 19:00 | JAWAHARLAL NEHRU STADIUM |

Group F | IMPHAL

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 30-Jul | WEDNESDAY | TRAU FC | VS | NEROCA FC | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |
| 13 | 1-Aug | FRIDAY | INDIAN NAVY FT | VS | REAL KASHMIR FC | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |
| 19 | 4-Aug | MONDAY | TRAU FC | VS | REAL KASHMIR FC | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |
| 25 | 7-Aug | THURSDAY | NEROCA FC | VS | INDIAN NAVY FT | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |
| 31 | 10-Aug | SUNDAY | NEROCA FC | VS | REAL KASHMIR FC | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |
| 35 | 12-Aug | TUESDAY | TRAU FC | VS | INDIAN NAVY FT | 16:00 | KHUMAN LAMPAK MAIN STADIUM |

KNOCKOUT MATCHES

| MATCH NO | DATE | DAY | TEAM 1 | VS | TEAM 2 | TIME | CITY | STADIUM |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 37 QF1 | 16-Aug | SATURDAY | TBD | VS | TBD | TBD | TBD | TBD |
| 38 QF2 | 16-Aug | SATURDAY | TBD | VS | TBD | TBD | TBD | TBD |
| 39 QF3 | 17-Aug | SUNDAY | TBD | VS | TBD | TBD | TBD | TBD |
| 40 QF4 | 17-Aug | SUNDAY | TBD | VS | TBD | TBD | TBD | TBD |
| 41 SF1 | 19-Aug | TUESDAY | WINNER OF QF1 | VS | WINNER OF QF2 | TBD | TBD | TBD |
| 42 SF2 | 20-Aug | WEDNESDAY | WINNER OF QF3 | VS | WINNER OF QF4 | TBD | TBD | TBD |
| 43 FINALS | 23-Aug | SATURDAY | WINNER OF SF1 | VS | WINNER OF SF2 | TBD | TBD | TBD |

*Fixtures are subject to change

WATCH LIVE ON SONY SPORTS TEN 2 SONY liv
thedurandcup

# ৱিমব্লেদন ২০২৫ঃ জোকোভিসনা মিনোর মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



লন্দন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু মায়থিবা পীরল্লগা ৱিমব্লেদন ২০২৫গী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নিংথৌকাবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেন’স সিঙ্গলসকী ৪শুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ ওইখিবা সর্বিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ১১শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু ১–৬, ৬–৪, ৬–৪, ৬–৪দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা ২২শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াখিবা ইটালিগী ফ্লাভিও কোবোল্লিনা ঙসি শান্নখিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিচপু ৬–৪, ৬–৪, ৬–৭(৪–৭), ৭–৬(৭–৩) দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ৪শুবা রাউন্দদা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক্না ১৮শুবা সিদেদ রশিয়াগী একাটেরিনা অলেজান্দ্রোভাবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৬(৭–৪), ৬–৪দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱুমেন’স দবলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ কানাদাগী গেব্রিয়েল দাব্রোস্কি অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী ইরিন রোটলিফলনা রশিয়াগী ইরিনা খ্রোমাচেভা অমসুং হঙ্গেরিগী ফেন্নি ষ্টোল্লরবু ৭–৬(৭–১), ৭–৬(৭–২)দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী সেম ভেরবীক অমসুং চেক রিপব্লিক্কী কেটরিনা সিনিয়াকোভানা বৃটেনগী ৱাইল্ড কার্দ পেয়র জোসুৱা পেরিস অমসুং ইদেন সিলভাবু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

# সামটে নোর্থ ইষ্টকা খূৎয়েক পীনখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সিনা দিফেন্দর বুৱানথাংলুন সামটেগা চহী অহুমগী খূৎয়েক পীনখ্রে। মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অসি ২০২৭–২৮ সিজন ফাওবা চৎনরগনি। মশাগী চহী ২৫শুরবা লেফ্ট বেক অসি হেদ কোচ জুৱান পেদ্রো বেনালিনা ২০২৩–২৪ সিজন হৌরকপদগী য়াম্না মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইনা লৌরক্লি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 286/SDC/IW(C)-II of 2025 dt. 04/07/2025

1. Yengkhom (O) Ashangbi Devi W/o (L) Yengkhom Kullachandra Singh
2. Yengkhom Chitaranjan Singh S/o (L) Ibobi Singh
3. Yengkhom Jiten Singh S/o (L) Ibobi Singh
4. Yengkhom Romi Singh S/o (L) Yengkhom Ibobi Singh
5. Yengkhom (O) Shantibala Devi W/o (L) Yengkhom Dhamendra Singh
6. Yengkhom Dinesh Singh S/o (L) Ibobi Singh
7. Yengkhom James Singh S/o (L) Ibobi Singh of Singjamei Waikhom Leikai

Petitioner(s)

-Vs-

Co-Pattadar No. 1 (Late) Yengkhom Ibobi Singh S/o (L) Bidhu Singh of Singjamei Waikhom Leikai

O.P. (s)

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / NOTICE
Lamphel, 4th July, 2025

Under Section 46(2) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (Late) Yengkhom Ibobi Singh S/o (L) Bidhu Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 59-Oinam Thingel অরিবা পাট্টা নং 577 (Old) অনৌবা পাট্টা নং 75 (New) দাগ নং 1265 অমসুং এরিয়ানা 0.08000 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central-II) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখ্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/3693/8

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST (CENTRAL)-II : MANIPUR
Ref. : Mut. Case No. 284/SDC/IW(C)-II of 2025 dt. 04/07/2025

1. Smt. Wahengbam (N) Khwairakpam (O) Saratlata Devi D/o (L) W. Ibotombi Singh W/o Kh. Rajen Singh of Phubala Awang Leikai
2. Smt. Wahengbam Maipakpi Devi W/o (L) W. Ibotombi Singh of Keishamthong Hodam Leirak

Petitioner(s)

-Vs-

(Late) W. Ibotombi Singh S/o Late W. Tondon Singh of Keishamthong Hodam Leirak

O.P. (s)

ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ / NOTICE
Lamphel, 3rd July, 2025

Under Section 46(2) of MLR & LR Act.1960 অসিগী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি লৈখিদ্রবা (Late) W. Ibotombi Singh S/o Late W. Tondon Singh গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নম্বর 42-Keishamthong অনৌবা পাট্টা নং 652/1998 (New) দাগ নং 4109/4627 অমসুং এরিয়ানা 0.01450 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীগী Petitioner মমিংদা পানবীনবা Sub-Deputy Collector, Imphal West, (Central-II) উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চখ্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)-II

SL/3693/8

# ইষ্ট বেঙ্গলনা বিষ্ণুগী কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রে

কোলকটা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি)ঃ

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী সাইদ ইষ্ট বেঙ্গল এফ সিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা এটেক্কর বিষ্ণু পি ভিগা মখা তানা চহী ২গী খূৎয়েক পীনদুনা কন্ট্রেক্ট শাংদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

বিষ্ণু ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) ২০২৪–২৫ সিজনদা পুন্না গোল ৪ চন্দুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী জোইন্ট লীদিং স্কোরর ওইখিবনি।

মশাগী চহী ২৩শুরবা বিষ্ণু ইষ্ট বেঙ্গল ক্লবকী য়াম্না মরু ওইবা টেলেন্ট লৈরবা শান্নরোই অমনি। কেরলাগী ফোরৱার্দ অসি ইষ্ট বেঙ্গলদা ২০২৩গী ময়াই চনশিল্লকপদা চহী ৩গী কন্ট্রেক্ট সাইন তৌখি। মহাক্না টোপ ফ্লাইট মেটচ ৫৫ শান্নখ্রে।

ক্রোসৱার্দ ৭৫৮গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | A | S | T | ■ | S | C | U | F | F | ■ | S | A | N | D |
| A | R | P | A | ■ | T | A | T | E | R | ■ | A | G | U | A |
| R | E | E | L | ■ | O | R | A | T | E | ■ | N | E | L | L |
| B | A | C | K | I | N | T | H | E | S | A | D | D | L | E |
| ■ | ■ | ■ | S | T | Y | ■ | ■ | ■ | H | U | R | ■ | ■ | ■ |
| C | A | C | H | E | ■ | T | O | A | ■ | G | A | L | A | S |
| O | S | L | O | ■ | O | R | A | C | L | E | ■ | E | R | A |
| S | H | O | W | O | N | E | T | H | E | R | O | P | E | S |
| T | E | A | ■ | N | O | S | H | E | S | ■ | P | E | N | S |
| A | N | K | L | E | ■ | S | S | S | ■ | S | T | R | A | Y |
| ■ | ■ | ■ | A | T | O | ■ | ■ | ■ | A | R | I | ■ | ■ | ■ |
| S | P | U | R | O | F | T | H | E | M | O | M | E | N | T |
| T | A | N | G | ■ | F | A | U | V | E | ■ | I | D | E | A |
| E | T | T | E | ■ | E | L | L | E | N | ■ | S | N | A | G |
| T | H | O | R | ■ | D | E | A | N | S | ■ | T | A | P | S |